**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-09-2025)**

**অত্মা নিভর(এল)ঃ** থা অহুম চুপা চত্থগদবা অত্মা নিভর ভারত, সংকলপ কেম্পেইন, হর ঘর স্বাদেসি, ঘর ঘর স্বাদেসি কেম্পেইন ঙসি থম্বাল শঙলেন ইম্ফলদা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অসিগী কনভেন্নর অমসুং বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী মচিন চৎপা মীশক-প্রেসো সিমরেনা হায়-কেম্পেইন অসি পন্দিৎ দিন দয়াল উপাধ্যায়গী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি হৌদোকপনি অমসুং হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী মপোক নুমিৎ দিসেম্বর ২৫ ফাওবা চত্থগনি।

মহাকা হায়-রাজ্য থাক্কী কেম্পেইন অসি হৌদোক্লবা মতুং জিলা থাক অমসুং ব্লোক অমদি মন্দলগী থাক্তা মথং মথং পাঙথোক্কনি। কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিং অমদি রেল্লি পাঙথোক্কনি। শ্রী প্রেসো সিমরেনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অমা ওইরিবা মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং ভোকেল ফোর লোকেল হেন্না চাউখৎহন্নবা পান্দমদা কেম্পেইন অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিদা শাজবা পোৎথোকশিং মীয়ামনা শিজিন্নদুনা মসিবু শারিবা মাওইশিং শৌগৎপগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফবা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমনি।

**সরদা (এল)ঃ** সেবা পাখৰারাগী শরুক অমা ওইনা অত্মা নিরভর ভারত-ভোকেল ফোর লোকেল ইগজিবিসন অমা ঙসি বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবীনা থম্বাল শঙলেনদা হৌদোকখ্রে। মথং থাগী অনি ফাওবা চত্থগদবা ইগজিবিসন অসিদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা পোৎথোক

কয়া উৎলি।

অমরোমদা, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবীনা লুচিংদুনা পন্দিৎ দিন দয়াল ডপাধ্যায়গী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা লুচিংবা অসিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এ. অমদি দলগী করিয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

**নারি (এল)ঃ** হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি অমসুং নম্বোল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-মমা ওইবীশিং অমদি অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজদুনা মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনরসি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগা মরী লৈননা পাঙথোকপা হেলথ কেম্প অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী বসন্তাকুমারনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা থল্লিবা পান দম অসি ফংনবা হোৎনবদা মমা ওইবীশিং অমদি অঙাংশিংবু মচি ওইবা চিঞ্জাক নীংথিনা পীজদুনা মশা-মউ ফবা খন্নাই অমা শেমগৎপা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এল. রাইচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

**নারি (এল)ঃ** স্বাস্থ নারি সাসন পরিবার অভিয়ান ২০২৫ গী মখাদা ঙসি প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-ককৱানা শিনদুনা ককৱাদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা-গাইনোকোলোজি, আই.ও.পি.দি, ই.এন.টি, দরমেটোলোজি, ওরেল কেন্সর স্ক্রিনিং য়াওনা ফেমিলি প্লানিং কন্সলটেসন, ইম্যুনাইজেসনগী

খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহনখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. করাম শ্যামসু শরুক য়াখি।

স্বাস্থ নারি সাসন পরিবার অভিয়ানগী মখাদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না স্ক্রিনিং কেম্পশিং ঙসি তাকয়েল খোংবাল, ককৱা, লিলোং চজিং, লমদেং অমসুং লাঙ্গোল নিংথৌদসু পাঙথোকখি।

**বিশ্বজিৎ (এল)ঃ** লাক্লিবা কুম্হৈ ফিয়োংগী মতমদা লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমতমক শিজিন্ননবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌখিবা অদবু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়না থোঙাম বিশ্বজিৎ এম.এল.এনা হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়-ভারতপু অত্মা নিরভর ওইহন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী ওইজবা পোৎথোক হেন্না পুথোক্কুনা ঐখোয়গী কৈথেলদা মসিগী পোৎলমশিং য়োন্দুনা মসিবু পুথোক্লিবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা তঙাইফদে। লাক্কদৌরিবা কুম্হৈ ফিয়োং ময়াম অসিদা করবার তৌরিবশিংনা মীরমগী পোৎ-চৈ য়োনবগী মহুৎতা লমদম অসিগী ওইবা পোৎথোক্কমক য়োন্নবা হোৎনগদবনি।

**আদি করমা (এল)ঃ** আদি করমা যোগী অভিয়ান (এ.কে.এ) গী মখাদা কামজোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি এস.দি.ও. ওফিসকী দি.আর.দি.এ. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্সার-রাংনামৈ রাং পিটরনা আদি করমা যোগী অভিয়ানগী কান্নবা অমসুং মরুওইবশিং মীয়ামদা খঙহনখি। মহাকা হায়-এ.কে.এগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমদি, তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা অখন্ননা মীৎয়েং চংগদবা হীরমশিং খঙদোকপা অসিনি। মীসন অসিগী সার্ভিসশিং মীয়ামদা মপুং

ফানা ফংহন্নবা নোদেল ওফিসারশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু মহাকা আপিল তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিনদুনা আদি করমা যোগী অভিয়ান (এ.কে.এ) তমেংলোং জিলাদসু ঙসি দুইগাইলোং কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। মসিগী পান্দমদি, খুলগী থাক্তা ৱারেপ লৌবা অমসুং লৈঙাক সাসনগী মপাঙ্গল কনখৎহনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দাংশাৱানা হায়-খুঙ্গংগী থাক্তা লৈরিবা লুচিংবশিং, নুপী অমসুং অঙাং পুমমক মপাঙ্গল কনখৎহনবনা খুঙ্গংগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা মাংজিল থাবা ঙমগনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী ষ্টেট এন.এস.এস. সেল দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চখগদবা নোর্থ ইষ্ট এন.এস.এস. ফেষ্টিবেল ঙসি পেতিগ্রু কলেজ-উখ্রুলদা হৌখ্রে।

ফেষ্টিবেল অদু হৌদোক্লদুনা চিংঙাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খাশিম ভাসুমনা শরুক য়ারিবা এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ার পুমমক্তা শান্তি অমসুং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী এম্বেসেদর ওইনবা আপিল তৌখি ফেষ্টিবেল অসিদা অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ অমসুং মনিপুরগী এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ারশিং শরুক য়ারি।

**ভগ্যচন্দ্র (এল)ঃ** রাজরশি ভগ্যাচন্দ্র এন্দ সেপিং ওফ মনিপুর কলচরেল হোরাইজন্স হায়বা ঙরাংদগী হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মালেম থাক্কী মীফম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোনা হায়-ভগ্যাচন্দ্রগী মতমদগী হৌনা

মনিপুরগী পুৰারীদা মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইবা হায়বসি মনিপুরগী কলচর, লৈঙাক্লোননা ওইরি। মনিপুরগী কলচর অমসুং সংস্কৃত্তিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজৈ।

**ভেরিফিকেসন (এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা আইনা কায়না চংশিল্লকপাঅমসুং আই.এল.পিগী নিয়ম থুগায়বা মীতোপশিং খঙদোকবগী দ্রাইব অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস অমসুং চকপিকারোংগী অকোইবা মফমশিংদা চখ্খ্রে।

দ্রাইব অদুদা অধার কার্ড অমসুং আই.এল.পি. কার্ড পায়রমদবা মীওই খরা মখা তানা য়েংশিন্নবগীদমক চান্দেল পুলিস ষ্টেসনদা থল্লি।

**ৱাইল্ড (এল)ঃ** ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসন-২০২৫ গা মরী লৈননা লিভিং ৱিট ৱাইল্ড লাইফ হায়বা হীরমদা য়ুম্ফম ওইদুনা লাই য়েকপা অমসুং রাচনা ইবগী চাংদমবা অমা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা মনিপুর ফোরেষ্ট ট্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা শিনবনি। চাংদম বা অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাশিংদা লৈবা স্কুল ২০ হেনবগী মহৈরোই ৫০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম অমসুং তেংনৌপলদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

মখা তানা জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা মথংগী নুমিৎতা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থান বন্সৱারাদা লুপা কোতি লাখ অমা হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাখি, খরনা উরেপ উযুং তমখি।

প্রধান মন্ত্রিনা রাজস্থানগী নাপলাদা শাগদবা মহি বন্সৱারা রাজস্থান এটোমিক পৱার প্রোজেক্ট শানবগী উরেপ উযুং তমখি। লুপা কোতি লিশিং ৪২ চংনা শাগদবা প্রোজেক্ট অসিদা মেগাৱাট ৭০০ ওইবা ন্যুক্লিয়ার পৱার য়ুনিট মরি য়াওরি। মখা তানা প্রধান মন্ত্রিনা সোল্লর ইনর্জি, থকবা ঈশিং, হেলথ কিয়ার, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং নেসনেল হায়ৱেগী ওইবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। মসিদা নত্তনা রাজ্য অসিদা অনৌবা রেলৱে সার্ভিস অহুম অমসু লমথাখি।

**ছত্তিসগর ঃ** ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা নুপী ২১ য়াওনা মাওইষ্ট ৭১ সেক্যুরিতি ফোর্সতা চংজখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সতা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৩০ দি লুপা লাখ ৬৪ গী মনা লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। রিটর্ন টু হোম কেম্পেনগী মখাদা মাওইষ্টশিং অদু দান্তেৱারা জিলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চংজরকখিবনি। মখোয় লমদম অদুদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। রাজ্য সরকারগী রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্ট অমমমদা ইন্সেন্টিভ ওইনা লুপ লিশিং ৫০-৫০ অমসুং স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীগনি হায়রি।

**শ্রীলঙ্কাঃ** ময়াই থংবা শ্রীলঙ্কাগী না-উয়ানা মোনাসত্রি মনাক্তা কেবলনা চল্লাইবা রেল কার্ট ত্রোল্লি অমা তৎপদগী বুধিষ্ট লাইনিংবা তরেৎ শিরে, মরিনা অশোক অপন নংলে।

লাইবক থিবা থৌদোক অসি ঙরাং অহিং লাইগী থৌরম লোইরগা

হল্লকপদা থোকখিবনি। পুলিসকী পাউনা হায়-লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মরক্তা অহুম অমদি মপান লমগী মীওইশিংনি। শোক্লবা মীওইশিং গোকারেলা জিলাদা লৈবা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা অনা লায়েংগী থবক চথরি।

**ফুটবোল** ঃ মনিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫ গী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নখি।

ঙসি নিনি চনবা নুমিৎকী ওইনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ কম্ম্যুনিতি হোলদা শান্নখিবা মুকা মশান্নগী কিলোগ্রাম ৬৫ গী মখা অমসুং মথক্কী গ্রুপতা পুন্না শান্নরোই ১৬ না শরুক য়াখি। কিলোগ্রাম ৬৫ মখাগী কেটেগোরিদা য়ু.দি.এফ. খাঙবোক্তগী কে.ঐচ. জোন্সননা অহানবা অমসুং ৱাই.দি.সি. হৈরোক্কী টি.ঐচ. রাজেসনা অনিশুবা তাখি। কিলোগ্রাম ৬৫ মথক্কী কাংলুপকী ওইনা এম.ৱাই.সি. হৈরোক্কী এল. থোমাসনা অহানবা অদুগা এন.ৱাই.পি.সি. থৌবাল নিংঙোম্বমগী এন. বিদ্যানন্দনা অনিশুবা তাখি।

গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি নিনি চনবা নুমিৎকী ওইনা কাইরেনবীখোক কম্ম্যুনিতি হোলদা শান্নখিবা বোল্লিবোল মেটচশিংদা কে.এস.এনা সিটি হৈরোকপু পাঞ্জল ৩-০ দা, লিৱা লমদিংনা ৱাই.দি.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা, কে.এস.এনা এস.এল.জি.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমসুং লিৱা লমদিংনা ঐচ.দি.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

জিট কুনেদো মশান্নগী ওইনা কিলোগ্রাম ৪৫ গী নুপীগী কাংলুপ্তা মার্সেল আর্টস ত্রেন্নিং সেন্টর-থৌবালগী সোরেনশাংবম য়াইসেনবী চনুনা অহানবা, ইন্সটিট্যুট ওফ মার্সেল আর্টস কংলৈপাক-য়াইরিপোক্কী শগোলশেম ভেলেনটিনা দেবীনা অনিশুবা অমসুং ইস্লামিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ৱাংময়ুম সুমেয়ানা অহুমশুবা তাখি।

মশান্না অসিগী কিলোগ্রাম ৬৫ দগী ৭০ ফাওবগী কাংলুপকী নুপীগীদা

ইন্সটিট্যুট ওফ মার্সেল আর্টস কংলৈপাক-য়াইরিপোক্কী লাইশ্রম গীতাঞ্জলি দেবীনা অহানবা, ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রিয়া লোইতামনা অনিশুবা অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিমক্কী সিঙ্গাময়ুম তাজবানু অমসুং ইস্লামিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী সবানানা অহুমশুবা তাখি।

এঠলেটিক্স মশান্নগী মিটর ১০০ গী নুপীগী কাংলুপ্তা ৱিয়াগী বেবিসনা য়ুম ামনা অহানবা, আই.এস.এগী কে.ঐচ. লনচেনবী দেবীনা অনিশুবা অমসুং রুদা একাডমীগী এন.নিধিবনা দেবীনা অহুমশুবা তাখি। মশান্না অসিগী মিটর ৮০০ গী নুপাগী কাংলুপ্তা এল.এস.এ. লিলোংগী কে.ঐচ. জাবেদ হুসেননা অহানবা, এসোসিয়েসন অসিগী সি.ঐচ. ফারিসনা অনিশুবা অমদি ৱিয়া ৱাইথৌগী য়ুমাম গোপেশ্বর মীতৈনা অহুমশুবা তাখি।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা অহানবা য়ুমাম মনাও মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি.এফ.এ. নাচৌনা ইশোক এফ.সি-ইশোকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯ দা শান্নরগনি।

**ক্রিকেট ঃ** অবু ধাবিদা চত্থরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী সুপর ফোর মেটচ অমদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দা পাকিস্তানগা বঙ্গলাদেশকা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা সুপর ষ্টেজ ফোরগী মেটচ অমদা ভারতনা বঙ্গলাদেশপু রন ৪১ দা থোইখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬৮ লৌখি। বঙ্গলাদেশনা মসিগী পাউখুমদা ৱিকেট পুমমক তুরগা ওভর ১৯ বোল ৩ দা রন ১২৭ খক লৌখি। হৌজিক ফাওবদা ভারতনা মেটচ অনি থোইদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।